ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



কে ভি কে থৌবালনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা পি এম কিষান দিভসকী থৌরমদা কে ভি কে অসিগী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট অমসুং হেদ ডা. এস জেশমারানি য়াওনা কে ভি কেগী ওফিশলশিংনা লৌমীশিংদা মরূ-মরাংশিং য়েন্থোকপা


লাংবন তর্পন উৎসব চারগা মোইরাংফৌ লিংবা ... লামায় ২

লামায় ৪ ঙাতংবা

রতন থিয়াম’বু শক খঙবা লামায় ৫

লামায় ৬ মালেমসিদা লেপ্পা লৈতনা হোংলক্লিবা ...

বিহারগী এস আই আর : ভোটর লাক্ষ ৬৫ গী... লামায় ৯

লামায় ১২ গোল্ড মেদল লৌদুনা লৈবাকসিগী মীংচৎ...


ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী অঙান চীং-ইকো পার্কতা বীনেট ব্লোক হাংদোক্তুনা শঙ্গাবগা লোয়ননা এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী দিরেক্টর ডা. টি ব্রজকুমার য়াওনা শরুক য়াখিবশিংনা উ চারাশিং থামিন্নখিবা



Vol. 49, Issue No. 124 | নোংমাইজিং, থৱানগী ৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, August 03, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# জিরিবামদগী অঙাং ৩ অমসুং নুপী ৩ ফারগা হাৎখিবা থৌদোক্তা চেন্নবা মার টেররিষ্ট অমসু এন আই এগী লাংদা থুরে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহীগী নবেম্বর ১১গী নুংথিল পোবোবতা জিরিবামগী বোরোবেক্রা পি এসনা কোনবা মোধুপুরদগী চহী শুদ্রিবা অমা য়াওনা অঙাং ৩ অমসুং অঙাংশিং অসিগী মমা অনী য়াওনা চহী ৬৬ শুরবী নুপী অমগা পূন্না মীওই ৬ ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা তমথীনা হাৎলগা বরাক তুরেলদা থাদরকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা এন আই এনা লৌখৎপা কেস নম্বর আর সী-১৫/২০২৪/এন আই এ/ইম্ফালগা মরী লৈননা হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা মীওই অমা ফাখ্রবা মতুংদা অনীশুবা মীওই অমসু এজেন্সী অসিনা ফারে হায়রি।

এন আই এনা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেশন চথরকপদা ঙরাং অসাম পুলিসকা খুৎশম্নদুনা মিজোরামগী কেপিটেল টাউন আইজোলদগী ফারে হায়রিবা মার টেররিষ্ট অদুগী মমিংনা থাংলিয়নলাল মার কৌই। মহাক মীওই ৬ হাৎখিবা থৌদোক অসিগী ‘এক্টিভ কন্সপিরেটর’ অমনি হায়রি।

মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমা ফাগৎখিবগা লোয়ননা ৱাহং পাউহং চথুবা হৌরে হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী মোইনাথোল খুলদগী কেস অসিগা মরী লৈননা এন আই এনা ফাখিবা লালরোশাং মার এলিয়জ রোশাংবু কুকি-জো-মার ফুরুপকী লূপ খরনা মরাল লৈতবা মীচমনি হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

অদুম ওইনমক কেস অসিদা চেন্নবা অহানবা মীওই অসি ফাবগা মরী লৈননা কছার দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট নুমাল মহত্তানা ফোঙদোকখিবদদি লালরোশাং মার হায়রিবা মীওই অসিনা অঙাং ৩ অমসুং নুপী ৩ অদুবু হিদা হাপ্লগা জকুরাধোর ঘাটতগী কৈশালপুঞ্জি খুলগী ঘাট ফাওবদা মহাক্না হি হোন্দুনা পুরকখিবনি হায়না ...মখা লমায় ৩ কলম ২

বরানসিদা পাঙথোকখিবা পি এম কিষান দিবসতা গভর্ণরনা ভর্চুএল মোদতা শরুক য়াখ্রে

# পি এম-কিষান স্কিমগী মখাদা মণিপুরগী লৌমী ৭৪,৯৬৩দা লুপা ১৮,০৯,৮৮,০০০ পীরগনি

## মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্টশিংদসু কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কে ভি কে) শিংনা শীন্দুনা দিবস অসিগী থৌরমশিং পাঙথোক্লখি



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচএনএস) :** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি উত্তর প্রদেশকী বরানসিদগী প্রধান মন্ত্রি কিষান সম্মান নিধি (পি এম-কিষান স্কিম) গী২০ লকশুবা ইন্সটোলমেন্টবু লৈবাক্কী থাক্তা রিলিজ তৌবগী থৌরমদা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ভর্চুএল মোদতা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী লৌমী ক্রোর ৯.৭তা দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফর (দি বি টি) গী খুৎথাংদা লুপা ক্রোর ২০,৫০০ পীরগনি হায়দুনা লাউথোকখিবদা মণিপুরগী ওইনা স্কিম অসিগী ২০লক শুবা ইন্সটোলমেন্ট অসিগী মনুংদগী লৌমী ৭৪,৯৬৩দা লুপা ১৮,০৯,৮৮,০০০ পীরগনি হায়রি।

পি এম কিষান স্কিম অসি লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগীদমক সেন্টরনা ফেব্রুৱারী, ২০১৯দা হৌদোকখিবনি। মশাগী লম লৈজবা লৌমীশিংগী অৱাৎ-অপা মেনশিন্নবা অমসুং মখোয়বু মতেং পাংনবগীদমক স্কিম অসিনা চহী খুদিংগী ওইনা লৌমী অমমমনা লুপা লিশীং ৬/৬কী শেনফমশিং মখোয়গী আধার লিঙ্ক তৌরবা বেঙ্ক একাউন্টশিংদা দি বি টিগী খুৎথাংদা হকথেংননা ইন্সটোলমেন্ট অহুল্লক্তা ফংহন্দুনা লাক্লি। ঙসি রিলিজ তৌখিবা স্কিম অসিগী ২০লক শুবা ইন্সটোলমেন্ট অসিগী মমাঙ১৯ শুরকপা ইন্সটোলমেন্ট ফাওবদা লুপা লাখ ৩.৬৯ রিলিজ তৌখ্রবনি। অদুগা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টরনা রিলিজ ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## য়ু জি ৪ ফারে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা লরাইহিরিকয়েংবম মখা লৈকায়দগী ঙাংবম অমরজিৎ এলিয়জ নোনো (৩৭) কৌবা কে সী পি-পি দল্লিয়ু জিগী এক্টিভ কাদর অমা মহাক্কী ময়ুমদগী ফারে হায়রি।

মহাক ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন অমসুং তম্পাক্তা লমগী চয়েৎনবা থৌদোকশিংগী মেদিএশনগী থবক্তা চেন্নবদা নত্তনা মমাঙথক্তা ডাক্তর অমা ফাবগী থৌদোক্তসু চেন্নবনি হায়রি। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমা অমসুং আধার কার্দ অমা ফাগৎলে হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা হৈরোক উয়োক চীং এরিয়াদগী প্রিপাক-প্রোগী কাদর ২ ফারে হায়রি।

ফারবশিংদি হৈরোক পার্ট থ্রী কবো লৈকায়দগী অবুজম হেমচন্দ্র এলিয়জ নাওবা এলিয়জ পান্দম্বা (৩৫) অমসুং হৈরোক পার্ট থ্রী লাইশ্রম লৈকায়দগী খুন্দোংবম সুরেজ ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

মণিপুরগী এদ্যুকেশন সেক্টর নোংম-নোংমগী ফজরক্লি

# থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা প্রিন্সিপাল অনী লৈরগ্লে : দেসাম

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচএনএস) :** য়ুনিয়ন লৈঙাক্না তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা লৈবাক অসিগী মহৈরোয়শিংবু মতিক চাবা মীওই অমমম ওইহন্নবগী পান্দমদা ন্যু এদ্যুকেশন পোলিসি (এন ঈ পি) ফাওবা হৌদোরক্তুনা থবক্তা ওন্থোরক্লবসু মণিপুরগী এদ্যুকেশন সেক্টরদা ৱায়োং চাদবা থৌদোকশিং থোকপদি লেপত্রি।

মথোং চাদবা থৌদোক অমনি হায়বা য়ারবা থৌওংদা হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা প্রিন্সিপাল অনী লৈরগ্লে হায়না দেসামনা মরী লৈনবা জেদ ঈ ও অমদি এদ্যুকেশন লোয়শঙনা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎপীয়ু হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ক্বাকৈথেলদা লৈবা দেসামগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহৈরোয় লূপ অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল নোংথোম্বম থোইথোইবনা হায়, দেসামনা মণিপুরদা অফবা ক্বালিটি লৈবা এদ্যুকেশন পুরক্নবা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগী মনুং চন্না পায়খৎলকপা থবক্তা হৈরোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা প্রিন্সিপাল অনী লৈরম্বা থেংনরকপনি। স্কুল অসিদা মমাঙগী কুমজা ২০২৪গী নবেম্বরদগী এস ঐচ জয়েন্ত কৌবা ওজা অমনা রেগ্যুলর প্রিন্সিপাল ওইনা লৈরম্বা থেংনখি। অদুগা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল অমা ওইনা হৌখিবা মে থাদগী টি ঐচ নিমাই কৌবা ওজা অমনসু ফম অসিগী থবক পুরম্বনি হায়রি।

স্কুল অসিদা সর্প্রাইজ ভিজিট তৌরুবদা রেগ্যুলর প্রিন্সিপালনি হায়রিবা এস ঐচ জয়েন্তনা ফম অসিগী থবক পূম্নমক পায়শিল্লম্বা থেংনখি। ওজা অনীমক্না প্রিন্সিপালনি হায়দুনা মথৌ পাঙথোক্লম্বা থৌওং অসিগী মতাংদা জেদ ঈ ও অমসুং স্কুল এদ্যুকেশন লোয়শঙনা টি ঐচ নিমাইদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা অঙাং উনবদা মমা লৈখিদবগী ৱাথোক

# ঙসি অহিং নোংয়াইদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌরগনি : জে এ সী

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ২৮দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা নুপী অমা অঙাং উনরবা মতুংদা লৈখিদবা থৌদোক অদু মহাকপু অঙাং উনহনখিবা ডাক্তর অমদি ষ্টাফশিংনা থৌশাদবদগীনি হায়রদুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীয়ু হায়দুনা ঙসিগা থানা নুমিৎ ৬নি চুপ্পা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা জে এ সীগী মায়কৈদগী মখোয়গী দিমান্দ অসিবু হেন্না কন্না তকশিনবা ওইনা হয়েং অহিং নোংয়াইদগী থা অসিগী ৫গী নোংয়াই ফাওবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি তেকচম ময়ায় লৈকায়দা লৈবা ষ্টেন্দর্দ লাইব্রেরি কম য়ুথ ওর্গনাইজেশন (এস এল ৱাই ও) গী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা থৌদোক অসিগী মায়োক্তা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এন এস সী এন-আই এমগী লুচিংবা মুইভা লৈখিদ্রে হায়না শন্দোক্লরকখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচএনএস):** নেশনল সোশলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম (এন এস সী এন-আই এম) গী জেনরেল সেক্রেটরি থুইঙালেং মুইভা লৈখিদ্রে হায়না সোশল মীদিয়াগী তোঙান তোঙানবা প্লেটফোর্মশিংদা শন্দোক্লরকখিবা ৱাফম অদু অরানবনি হায়না লালহৌলূপ অসিগী মিনিনিষ্ট্র ওফ ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিসিটিনা থোরকপা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## নুপীমচা মহৈরোয় ১দা ফজদবা ফোটো য়েংহল্লুবা নহা ১ পুলিসনা ফারে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচএনএস):** স্কুল চৎচবী মহৈরোয় নুপীমচা অমদা উরিপোক্কী মফম অমদা মোবাইল ফোনদগী ফজদবা ফোটোশিং য়েংহল্লক্লে হায়দুনা পুলিসতা ৱাকৎলকপগী মতুংইন্না পুলিসনা ঙসি মীওই অদু ৱাঙ্খৈ ময়ুর লৈরক মচিন্দগী থৌঙন্বা কৈশাম (২৩) কৌবা নহা অমনি হায়না মশক খঙদোক্লুবা মতুংদা মহাক্কী মথক্তা লৌখৎপা পোক্সো এক্টকী কেসকা মরী লৈননা ফাগৎলগা ৱাহং পাউহংবগী থবক চথুখ্রে হায়না পুলিসকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## মিজোরামদা লুপা ক্রোর ৩৩গী মেথামফেটামাইন ফারে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচএনএস):** মমাঙ থাগী ২৪দগী ঙসি ফাওবগী মনুংদা অসাম রাইফলসনা দ্রগকী মায়োক্তা চথরকপা অকনবা ওপরেশনগী মনুংদা ঙরাং মিজেরামগী চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টতগী মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ৩৩ রোমগী মমল ওইগদবা মেথামফেটামাইন কিলোগ্রাম ১১ হেন্না ফরে হায়রি।

এ আরনা ফংবা অকক্লবা রিপোর্ট অমদগী চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টকী জোতে এরিয়াদা ওপরেশন চথবদা য়াল্লবা দ্রগশিং অসি ফাগৎখিবনি। ফাগৎলবা দ্রগশিং অসি চম্ফাইগী এক্সাইজ অমসুং নার্কোটিক্স দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## পোজিটিভ কেস ১ থেংনরবসু এক্টিভ কেস ৫ খক্তা ঙাইরে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচএনএস):** মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ মায়োক্লরক্লিবা লোয়শঙশিংগী ওফিশল অহুম্না ঙসি থোরকপা লায়না অসিগী ষ্টেটস অপদেটকী মতুংইন্না ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টতগী মথংশিংনা সেম্পল ১ অমসুং ২ পূন্না ৩ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টকী সেম্পল অদু কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ ওইরম্লবসু হান্না পোজিটিভ ওইরকখিবা মীওইশিংগী মনুংদগী ঙসি ২ দিসচার্জ তৌখিবদগী ষ্টেট অসিদা হৌজিক লায়না অসিগী এক্টিভ কেস শুপ্নতগী মঙা খক্তা ঙাইরে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী অৱাই-অখুম লোইদ্রি



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী পুঙ-ঈশৈ অমসুং জগোয়গী খ্বাইদগী চাউবা শিন্দমশঙ অমা ওইরিবা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্ট অমদি একাদেমি অসিগী দিরেক্টরগী মতাংদা মখা তানা দিরেক্টর মশা য়াওনা অৱাই-অখুম তৌনবগী থৌদোকশিং লেপ্তুনা থোরক্লি।

ঙসিসু নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা একাদেমিনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা রিক্রুটমেন্টদা শরুক য়াখিবী নুপী কেন্দিদেট অমনা ৱাফম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## তোয়না থোক্তবা হার্টকী লায়নাগী পেসেন্ট ১ স্কাই হোস্পিটালনা মায় পাক্লা লায়েংখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচএনএস) :** ইম্ফালগী রিমস রোদতা লৈরিবা অঙাংদগীনা অহল ফাওবনা মায়োক্লরকপা তোঙান তোঙানবা হার্টকী লায়নাশিং মায় পাক্লা লায়েংদুনা ফহনবা ঙল্লক্লিবা স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিসর্ছ সেন্টর প্রাইভেট লিমিটেদকী লায়েংশঙদা পোকপদগী তোয়না থোক্তবা ‘লার্জ এত্রিএল সেপ্টাল এনেয়ুরাইজম’ হায়না খঙনবা হার্টতা মখুল কয়া হোহনবা অমসুং ঈ চেন্থোক-চেনশিন তৌবদা খুদোংচাদবা মখলগী লায়ওং মায়োক্লবা পেসেন্ট অমা মায় পাক্লা লায়েংখ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি লায়েংশঙ অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মপুরোইবনা হাৎতোকপীখিবী সিমা শাহনি মীহাৎকী চার্জশীট থাগৎপীয়ু : জে এ সী



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা জুন থাদা ইম্ফাল ইষ্টকী কৈখু মুস্লিম মনীং লৈকায়দা সিমা শাহনি কৌবী অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমবু মীহাৎ থীনা হাৎখিবা থৌদোক্কী মতাংদা পোরোম্পাৎ পি এসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা হৌজিক থা ১ হেঞ্জিল্লক্লবনিনা কেস অসিগী চাজশীট মরী লৈনবা কোর্টশিংদা ৱায়েল চথনবগীদমক থাগৎপীয়ু হায়না থৌদোক অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা জে এ সীগী কো কনভিনর এম দি ৱাহিদুর রহমননা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## অরানবা থৌওংদা হার য়োল্লম্বা মীওই ফারে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচএনএস):** ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী দুকান অমদি গোদাউনশিংদা হারশিং অরানবা মওংদা পৈশিন্দুনা থল্লগা য়োনব্রা হায়দুনা ঙসি পুলিসনা ৱেদ চথুবদা চীংমৈরোংগী নেপালি বস্তিদগী করন ছেত্রি কৌবা মীওই অমা হার য়োনবগী মতাংদা পীবা রুলগী ৱাংমদা হার য়োল্লম্বগীদমক ফারে হায়রি।

# লাঞ্জেল্লকপা ঐখোয়বু রিলিফ কেম্পতগী প্রি-ফেব্রিকেটেদ হাউসশিংদা অমুক কয়াম কুইনা থম্বীগদোইনো : বিমোলা

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
**হকথেংনবা পাউদম**
চুড়াচান্দপুরগী খুগা তম্পাক্তগী খুঞ্জা

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী তমথীরবা লান হৌরকখিবা নুমিৎতগী চুড়াচান্দপুরগী খুগা তম্পাক্তগী থৱায় হিংনবা লাঞ্জেল্লক্তুনা হৌজিক ফাওবদা নিংথৌখোংগী মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্প ওন প্রজেক্ট সিচুএশনদা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ৫০ শুরবী থৌদাম ওংবী বিমোলা, মপুরোইবা টি ঐচ অরুনগা উনরুবদা মহাক্না হায়, ঐখোয়বু চঙজফম পীনবনি হায়দুনা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্প অসি মহৈরোয় কয়ানা মহৈ তম্নরিবা কোলেজ অমনি। মরম অসিনা কোলেজ অসিগী কেম্পসতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা ঐখোয়না চঙজফম লৌরিবনি



হায়দুনা চহী অনী হেন্না লৈশিল্লকপদা ঐখোয়দসু মহৈরোয়শিংগী খনবদা নুংঙাইতবা ফাওরে। অদুগা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা আই দি পিশিংবু মণিপুর লৈঙাক্না পি-ফেব্রিকেটেদ হাউসশিংদা ওইনা লৈহল্লগনি হায়রক্লিবা অসি থবক্তা ওন্থোরক্লবা ফাওবদা ঐখোয়বু রিলিফ কেম্পতগী প্রি-ফেব্রিকেটেদ হাউসশিংদা অমুক কয়াম কুইনা থম্বীখিগদগে হায়নসু হংলকখি।

অমরোমদা, লৈঙাক্না হৌজিক শারিবা প্রি-ফেব্রিকেটেদ হাউসশিং অসিদি মশীং য়াম্বসু নত্তবনিনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয় লোইনমক্কী লৈফম-চাফম পীবা কোন্নগদ্রা হায়বসিসু হংবা য়াবা ৱাহং ওইরি। তাঞ্জাসিদা প্রি-ফেব্রিকেটেদ হাউসতা হোংজিন্দুনা লৈগদবা মীওইশিং লোট্টরি তৌদুনা খন্দোক্কনি হায়বা ৱাফম অমসু ঙাঙনরক্লে। করিগুম্বা ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইরক্কদবা ওইরবদি রিলিফ কেম্পতগী প্রি-ফেব্রিকেটেদ হাউসশিংদা লৈবা ফংদবা মীওইশিংগীনা করম তৌগদৌরি। মখোয়দি অদুমক রিলিফ কেম্পতা লৈখিবা তারব্রা হায়বা ৱাহংসু থোরক্লি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মপাউ-১৮

## পি আরগী লৈঙাক অসিদি মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাক্তুগা চপ মান্নে, ঐখোয়গী মপী-মপা লৈত্রে



নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচএনএস) :** কুকি-জো কাঙবুনা লান্দারকপদগী শোকহল্লকপশিংগী মনুংদা শেন্মীৎলোনসু হেন্না শোখহল্লে। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ফীভম অৱাবগী মশক ওইরে। প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক অসিগা মসিগী মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাক অদুগা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ব্রাউন সুগর, কানি ১সুং দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট কিলো ৭ লোমগা লুপা ২৩,১১০ অমদি মোবাইল ফোন ১৪গা ফাগৎলে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচএনএস):** সিক্যুরিটি ফোর্সনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মফম অনীদগী লিংনৈচোং এলিয়জ হেচোং হংসিং (৪২), কাংপোকপী ৱার্দ নম্বর ৯, গমগিফাইদগী রেবেকা হাওকিপ অমসুং সাইকুলগী সাইখো খুলদগী পাওতিলখাই খোংজাই কৌবা মীওই ৩দগী ব্রাউন্দ সুগর কিলো ২.৬১, কানি কিলো ২.৮৮, গঞ্জা গ্রাম ১৪০, শেল ওইনা লুপা ২৩,১১০ অমসুং মোবাইল ফোন ১৪ ঙরাং ফাগৎলে হায়রি।

অদুগা চুড়াচান্দপুরগী ন্যু লমকাগী ভাল ভেঙদগীনা চিনলুনলাং (৩৯) কৌবা নুপী অমদগীসু দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট কিলো ২.৪ অমসুং মসিবু পুরকখিবা বোলেরো পিক-অপ ভেন এম জেদ-০১/এক্স-২৩০০গা কোন্ননা ঙরাং ফাগৎলে হায়রি। মহাক মাটা খুলদা হাংবা সিক্যুরিটি ফোর্সকী মোবাইল ভেহিকল চেক পোষ্টতগী ফাবনি হায়রি।

ফাগৎলবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা এন দি এন্দ পি এস এক্টকী মখাদা কেসশিং লৌখৎলে।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫